## ইপসাগী জিরিবাম ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে

জিরিবাম, জুন ০৯ : ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা), কংলৈপাক্কী জিরিবাম ব্রাঞ্চ ঙরাং হাংদোকখ্রে। ব্রাঞ্চ অসি হাংদোকখ্রবা মতুং ঙসি জিরিবামগী গুলারথোল (শামুপুনবী) কম্যুনিটি হোলদা ইপসানা শীন্দুনা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখ্রে।

লেম্না লায়েংবগী কেম্প অদু হৌদোকপগী থৌরমদা জিরিবামগী এ দি সী পিটর সলাম, ইন্টরনেসনল পিচ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা) কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজম, জিরিবামগী সী এম ও, ঈ ওকেন্দ্রো অমদি ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)গী এদভাইজরসু ওইরিবা নেসনল এৱার্দী ঐচ ইবোতোম্বী খুমনন্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ডোক্টরশিংনসু তোঙান-তোঙানবা লায়না লায়ওংশিংগী মরমদা ৰা ঙাংদুনা মীয়ামদা এৱ্যেরনেস পীখি।

লেম্না লায়েংবগী কেম্প অদুগা মরী লৈননা ইপসাগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা হায়খি, জিরিবামদা ঙরাং ইপসাগী ব্রাঞ্চ অমা হাংদোক্লিবা অসিনা হেদ ওফিসকা তানরগা মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি লমদম অসিবু চাউখৎহন্নবা হোৎনবগী পান্দমদা চঙশিল্লকপা খোঙথাংশিংগী শরুক অমা ওইনা তোঙান-তোঙানবা থবক কয়া পাঙথোক্কনি। খুন্নাই অসিবু অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মীপুম খূদিংমক্কী হকচাং ফনা লৈবা মথৌ তাই। হকচাং ফনা লৈরগা মতিক মগুণ লৈরবা মতমদদা মণিপুরী খুন্নাই অসি চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইবা ঙমগদৌরিবনি। মরম অসিনা মীয়ামগী হকশেল ফনা লৈহন্নবগীদমক ইপসানা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অসি পাঙথোকপনি। হয়েং জিরিবামগী বাবুখল, বোরোইকল অমদি শাভুঘাট হায়রিবা খুলশিং অসিগী অৱাং-অপাশিংসু লূপ অসিনা য়েংশিনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

হেল্থ কেম্প অদুদা ইম্ফাল অমদি জিরিবামদগী ডোক্টর ২০ লোম্না অনাবা ৮০০ লোম লায়েংখি। মেদিকেল কেম্প অদুদা এক্স-রে অমদি অল্ট্রা সাউন্দনচিংবসু লেম্না লৌহনখি। লোয়ননা অনাবশিংনা মথৌ তাবা হীদাকশিংসু লেম্না পীখি।

## আই ই দি লৈরম্লে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ৰাইতোন তেজপুর লম্বী নাকলদা লৈবা মোঙশোং অমদা আই ই দি অমা অমসুং উখুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতান পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা সিকিবুং এরিয়াদা আই ঈ জি অমমম লৈরম্লে। আই ঈ দিশিং অদু সিক্যুরিটি ফোর্সনা অশোয় অঙাম য়াওদনা লৌখৎখ্রে হায়রি।

## সেন্টরশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর অদ্য প্রসাদ পান্দেনা ঘনপ্রিয়া ৱিমিন্স কোলেজ, ইম্ফাল অমসুং ধনমঞ্জুরি কোলেজ ওফ সাইন্স, ইম্ফালদা য়েংশিন খোঙচৎ চৎখ্রে। ভাইস চাঞ্চেল্লরগী টিম অদুনা কোলেজ অনিমক্কী ইগজামিনেসন সেন্টরশিং য়েংশিনখি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার ইন-চার্জগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা ভি সীনা একাদেমিক দিভলপমেন্টগী মতাংদা টিচিং ফেকল্টিশিংগা ইন্টরেক্সনশিং চথখি। তুংদা ভি সীনা ইগজামিনেসনগী থবক্কী প্রোগ্রেসকী মতাংদা কোলেজশিং অসিগী প্রিন্সিপালশিংগসু খন্ন নৈনখি।


**GAS NEWS**

**KHORIPHABA, NAMBOL**
Booking Upto:10/06/2018
Valid From:09/06/2018
***Stk :306 (CTC)***
Timing : 07.00am to 10.00am

**MAIBIA GAS MOIRANG SL.NO. 1100-9811**
Booking Upto:08/05/2018
Valid From:03/05/2018
***Stk :612***
Timing : 07.00am to 11.00am

**J RONGMEI SK INDANE, WANGOI**
Booking Upto:16/05/2018
Valid From:12/05/2018
***Stk :306***
Timing : 06.30am to 09.30am

**M/S BASHIKHONG INDANE**
Booking Upto:25/04/2018
Valid From:13/04/2018
***Stk :306***
Timing : 07.00am to 10.30am
*(First Come First Serve)*

**M/S KHURKHUL HEIKHAM INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto:30/04/2018
Valid From:24/04/2018
***Stk :150 (CTC)***
Timing : 08.00am to 12.00noon

**HIYANGTHANG INDANE SL.NO. 70**
Booking Upto:30/04/2018
Valid From:25/04/2018
***Stk :306***
Timing : 07.00am to 10.00am


# তৌরোইদবা থবকশিং হায়জিনবা কুইনা চৎলোই : ইবোবী

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস):

মীয়ামগী লৈঙাক পায়বদা তৌরোইদবা থবকশিং হায়জিনবা কুইনা চৎপা য়ারোই হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ঙসি সলুংফম লাইকোন লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল ট্রষ্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা অহল ওইরবশিংগী পেন্সন অমদি ৱিদো পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়খি, মীয়ামগী থবক তৌবদা পূকচেল শেংনা ঙমগদবা থবকশিং অদু পায়খৎপা তঙাইফদে। তৌরোইদবা থবকশিং হায়জিনবা কুইনা চৎলোই। মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগা মরী লৈনবা থবকশিং নীংথিনা পায়খৎপা চঙই।

মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল ট্রষ্টনা শীন্দুনা অহল ওইরবশিং অমদি ৱিদোনচিংবা কয়াদা পেন্সন পীরিবা অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। মীওইবা হায়বসি শিগদবা ঙাক্তনি। হিংলিঙৈ মতমদা খুন্নাইগী য়াইফনবা মায়কৈদা থবক কয়া তৌরম্বা চঙই। শোথুরবশিংবু নুংশিবা অমদি শোথুরবশিংগী য়াইফনবা থবক তৌবা হায়বসি তাইবং শেন্বা মপূনসু য়াগনি। চাউখৎপা লমদম অমা পুরক্নবা হোৎনমিন্নবা চঙই। ট্রষ্ট অসিনা শীন্দুনা অহল ওইরবশিং অমদি ৱিদোশিং য়াওনা পেন্সননচিংবা পীদুনা অঙন্বা মতেং পাংলিবা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। লৈখিদ্রবা মোইরাংথেম ইবোতোম্বীসু মীয়ামগীদমক থবক তৌবা পামজবা লুচিংবা অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা হায়খি, অৱা-অনা তারবা মীগী মতেং পাংবা হায়বসি তাইবং মপূগী থবকনি। মীয়ামগী থবক তৌগনি হায়না চীনদা খক ঙাংবনা য়ারোই। থবক ওইনা উৎপা চঙই। ট্রষ্ট অসিনা শীন্দুনা পেন্সন পীবগী থবক চথুরিবা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাংনি। ট্রষ্ট অসিনা মীওই ১,২০০ রোমদা পেন্সন পীরি। পেন্সন পীরিবা মশীং অসি ১,৫০০ দা হেনগৎহন্নবা হোৎনগনি হায়না ট্রষ্ট অসিনা চঙশিল্লক্লিবা মীৎয়েং অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই। মীগী মতেং পাংবগী ৱাখল্লোন লৈবা হায়বসি মীওইবগী য়াম্না মরুওইবা অমনি।

ষ্টেট অসিদা হৌখিবা চহী ১৫ রোম কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা চাউখৎ খোঙজেল অসি য়াম্না য়াংনা চৎলম্বনি। কোংগ্রেস লৈঙাক হেক লৈখিদ্রবা মতুংদা ষ্টেট অসিগী চাউখৎ খোঙজেল অসি তপথরকপগুম তৌরি। মীওইবা খুন্নাইগী খোঙজেলদি মাংলোমদা চৎকন্দবনি। চাউখৎ থৌরাংদা খোঙজেল য়াংনবা হোৎনবা হায়বসি লৈঙাক্কী য়াম্না মরুওইবা অমনি। কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা ষ্টেট অসিগী চীং-তম অনীমক্তা চাউখৎ থৌরাংগী অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক কয়া পায়খৎতুনা লাকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাংলদুনা মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল ট্রষ্টকী প্রসিদেন্ট এম ওকেন্দ্রোনা হায়খি, লৈখিদ্রবা মোইরাংথেম ইবোতোম্বীগী মিংদা শেন্বা ট্রষ্ট অসিনা কুমজা ১৯৯৫ গী দিসেম্বরদগী পেন্সন পীবগী থবক অসি হৌদোরকখি। মতমদুদা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা রিশাং কৈশিংনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা মীওই ১০ দা পেন্সন পীদুনা হৌরকখিবনি। হৌজিক পূন্না মীওই ১,২০০ রোমদা পেন্সন পীরি। মীওই ৩০০ সু হাপচিন্দুনা লাক্লিবা দিসেম্বরদগী মীওই ১,৫০০ দা পেন্সন পীবা ঙম্নবা পান্দম থল্লি। ট্রষ্ট অসিদা মীওই কয়ানা তেংবাং পীনরক্লি। ট্রষ্ট অসিগী লৈজবা ফন্দ অমদি তেংবাং পীনরক্লিবা কয়া অসি পূনশিল্লগা পেন্সন পীবগী থবক অসি চথবনি। অহল ওইরবা মীওই কয়া লৈঙাক্কী পেন্সনগী খুদোংচাবা ফংনবগীদমক ওনলাইনদা থাজিনখিবা কয়া লৈরে। অহলশিং অসিগী মনুংদা খরদা ওইরবসু লৈঙাক্কী পেন্সন পীনবা খনবীরক্লবদি য়াম্না ফগনি। করিগুম্বা খল্লক্তবা তারবসু ট্রষ্টকী মায়কৈদগী অদুমক পেন্সন পীগনি। ট্রষ্ট অসিগী অপাম্বদি ঐখোয় খূদিংমক নুংশি-চান্নবা ঈংনা-চিক্না পানমিন্নবা অসিনি। লাইরিক নীংথিনা তম্বা ঙমদ্রবা অঙাংশিংদা লাইরিক তম্বগী তেংবাং পীনবগী থৌরাং অমসু হৌনবা মীৎয়েং থল্লি। হৈরোক এ সীগী মনুংদা লৈরিবা নহা কয়াদা মশানা মশাবু থবক পীজবা য়ানবগীদমক থৌরাং কয়া পায়খৎনিংবগী অপাম্বসু লৈ। লৌফমশিংদা লৌ লোকখ্রবা মতুংদা হঙ্গামনচিংবা মনা-মশিং কয়া থাদুনা পোথোক কয়া পুথোক্লবগী মীৎয়েংসু লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হৈরোক এ সীগী তোঙান-তোঙানবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদগী পূন্না মীওই ১,২০০ দা পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকখি। থা ১ দা লুপা ২০০গী চাংদা পীবা পেন্সন অদু ঙসি থা ৬ কী ওইনা য়েন্থোকখি।

# চাইল্ড ফ্রেন্দলি ওইবা পুলিস ষ্টেসন লৈহনবা তঙাইফদে : ৱাই খেমচান্দ

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস):

চাইল্ড ফ্রেন্দলি পুলিস ষ্টেসনশিং লৈহনবা তঙাইফদে হায়না মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা ঙসি ক্লাসিক হোটেলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা ষ্টেটৱাইদ কেম্প্যেনগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱর্ল্ড ভিজন ইন্দিয়া অমদি মণিপুর এল্লাইন্স ফোর চাইল্ড রাইটসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ইট টেকস মণিপুর টু ইন্ড ভাইওলেন্স এন্দ সেক্স্যুএল এব্যুজ এগেনষ্ট চিলদ্রেন হায়বা ষ্টেটৱাইদ কেম্প্যেন হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা হায়খি, চাইল্ড সেক্স্যুএল এব্যুজনচিংবা লৈহন্দনবা হ্যুমেনিটি হায়বসি য়াম্না মরু ওই। অঙাংশিংগী ফংফম থোকপশিং ফংহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর কমিসন ওফ প্রোটেক্সন ফোর চাইল্ড রাইটসকী চেরপার্সন সুমতিবালা নিংথৌজমনা হায়খি, অঙাংশিংগী ফংফম থোকপশিং ফংহন্নবা অমদি অঙাংগী য়াইফ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। কমিসন অসিগী মায়কৈদগী অঙাংশিংগীদমক লেপ্লি। অঙাংশিংদা সেক্স্যুএল এব্যুজ চথদনবা ৱাখল তামিন্নবা চঙই। কা হেনবা থৌদোকশিং থোক্তবা লমদম অমা ওইহন্নবা ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা পূন্দুনা হোৎনমিন্নসি। অঙাংশিংদা পামদবা থবক থৌওংশিং চথদনবা অমদি নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা পুরক্নবা হোৎনমিন্নবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাংলদুনা কেম্প্যেন ওফিসর ডো. অনগদেবনা হায়খি, সেক্স্যুএল এব্যুজ এগেনষ্ট চিলদ্রেনগী মতাং অসি য়াম্না সেন্সিটিব ওইবা ৱাফমনি। অঙাংশিংদা কা হেনবা থৌওংশিং চথদনবা ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা চঙই। ইনি দয়াগী ওইবা অঙাংদা চথবা ক্রাইমগী কেস কয়ামরুম লৈরি। কেসশিং অসিগী মনুংদা অঙাংশিংগা নক্নবা মীওইশিংনা চথবা কয়াসু য়াওরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱর্ল্ড ভিজন ইন্দিয়া গুৱাহাটিগী এসোসিএট দিরেক্টর সাম্যুএল থেরিনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। তুংদা টেক্নিকেল সেসন পাঙথোকখি। এম সী পি সী আরগী মেম্বর মোন্টু অহন্থেমনা মোদরেটর ওইদুনা পাঙথোকখিবা টেক্নিকেল সেসনদা এম সী পি সী আরগী মেম্বর কে প্রদিপ কুমারনা গেপ এন্দ চেলেঞ্জ ইন ইমপ্লিমেন্টিং পোক্সো এক্ট, ২০১২ হায়বা টোপিকতা ৰা ঙাংখি। এল এম এস লো কোলেজগী লেকচরর ডো. সাপম দিলিপকুমারনা দিফরেন্ট লাইন ওন চাইল্ড সেক্স্যুএল এব্যুজ এন্দ চাইল্ড প্রোটেক্সন মেকানিজম হায়বা হীরমদা ৰা ঙাংখি।

## না তাদবা, লোল থোক্তবশিং আর্টিষ্ট...

*লামায় ১গী মখা...* মফমসিদসু মমি তাহনবা ঙন্মী। পান্থোইবী নট্য মন্দিরনা শীল্লগা কুমজা ১৯৮৪ দা বেলজিয়মগী বেলে দান্সর জেটি রোলনা থা অমগী ট্রেনিং পীরম্বদা ঐসু য়াওহৌখি। পান্থোইবী নট্য মন্দিরদা লৈনা লৈনা হোৎনরকপদগী মাইমগী প্লে মচা মচা খরা পুথোকখ্রে। মসিগী মতুং তারকপদা মপুং ফারবা মেজর লীলা পুথোক্তুনা কুমজা ১৯৯৮ দগী নেসনল লেবেল ফেষ্টিবেলদা য়াওদুনা লাক্লি। মহাক্না হায়খি, হৌজিক্তি ইন্টরনেসনলগী ফেষ্টিবেল কয়াদা শরুক য়ারে। কুমজা ২০০৬ তা সাউথ কোরিয়াদা, কুমজা ২০০৭ তা গ্রীসতা, কুমজা ২০০৯ দা মেসিদোনিয়াদা চৎলুরে। সাউথ কোরিয়াদদি অনীরক চৎলুরে, মফমদুদা পাঙথোকখিবা ঠিএটরসি মাইম ঙাক্তনি। অদুক্কী মতিক চাওনা পাঙথোকই। লম্বীদা ওইরবসু ষ্ট্রিট প্লে ওইনা পাঙথোকই। মখোয়গীদি ঈশিং চাইবী মনাক্তসু পাঙথোকই। মীয়াম য়েংনবা ফিদা থাদে। অদুবু, মনাক অদুৱাইদা লৈরম্বশিং য়োমশিল্লগা ফমদুনা য়েংনৈ, অচা-অথক্কী পোৎলমশিংসু য়োল্লি। দসবিন অচৌবা অমা থম্মী মদুদা অচা-অথক্কী পোৎলমশিংগী অরেম্বশিং হাপচিল্লম্মী। শীৎপা, শেংবা হায়বা অমা লৈতনা শীৎ নান্না মফম অদু থনম্মী।

গ্রীসতা শান্নবসিনা মখোয়গী মরোলদা অয়াম্বা ঙাংই। ময়েকসু মখোয়গী ময়েক্তা লোয়না থাই। মখোয়গীনা অমুক তোঙানবা মহাও অমনি। অদুবু ইন্টরনেসনল ঠিএটর ফেষ্টিবেলদা লন্দনননা মকোকনি। অনীশুবদা সাউথ কোরিয়ানি। মফম-মফমগী খেন্নবা অসিদি অদুম লৈগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মণিপুরগী মাইম ঠিএটরনা মেটাগী ফেষ্টিবেলদা ইহান হান্না একাউন্ট হাংখিবসি কংলৈ মাইম ঠিএটর রিপর্টরিনি। আর্ট এন্দ কলচর অমদি স্পোর্টসনা মণিপুর মশক তাকইদি হায়রগা স্পোর্টসকীনা মালেমগী থাক্তা গোল্ড, সিলভর লৌরকপদা লৈঙাক্না শেল পীদুনা ওকপীরি। অদুবু আর্ট এন্দ কলচরগী লম্দা মালেমগী ওইনা গোল্ড লৌরকপশিংদি ঙসি ফাওবা শেলদি লাইরদনা মশক ফাওবা খঙবীদে। হীরম অসিদা য়ূন্স্ফম ওইরগা ঐহাক্না *লো বজেট* হায়বা মাইম প্লে অসি পুথোকপনি। আর্ট এন্দ কলচরদদি লো বজেট ঙাক্তনি। অদুবু আর্টপু পামজবা মীওইশিংগী মরক্তা লোল থোক্তবা, না তাদবা হায়বসিসু য়াওরিবনি। মখোয়গী এক্তিং মফম অমা মাইম প্লেদা কনবা ঙন্বা অসিসু আর্ট এন্দ কলচরগীদি অচৌবা মায় পাকপা অমনি। নোর্মেল পর্সন অমনা ঙল্লিবা চাং অদুদগী মখোয়না হেন্না থৱায় য়াওনা হোৎনৈ। মখোয়সু আর্টকী এক্তিং তৌবা ঙন্মী হায়বদু মাইম প্লেনা মায় পাক্না উৎলি হায়নিংই। মসিনা মীওইবা খুন্নাইগী মরক্তা হেন্না চাউথোকচবা পোল্লমগনি হায়বসি মীয়াম্না খঙবীয়ু হায়না ডো. সদানন্দনা মখা তাখি।

## মিনিষ্টরগী মচানুপা পুলিস রিমান্দ...

*লামায় ১গী মখা...* অমা পাউচেদা ফোঙদোক্নরক্লিবা অসিদা য়ুনিয়ন অসিনা খম থেংনা অঙকপা ফাওই। মণিপুরদা লো হায়বসি লৈরিব্রা হায়বা ৱাহং অমা ইতৎ তৎতনা হংলিঙৈ চৈরক্তা লো ইনফোর্সিং এজেন্সী ওইরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সতা ফাওবা অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্লক্লগদি মণিপুরগী মীচম মীয়ামদি করি ওইগদৌরি হায়রি। লমদম অসিদা মণিপুর পুলিসপু পোলিটিকেল পপেট ওন্থোকপা হায়বসি খুন্নাইগী ওইনদি ইকায়নিংঙাই মচাক অমা ওইরে। হৌখিবা চহী ১৫গী কোংগ্রেস লৈঙাক মতমদা মণিপুর পুলিস অমদি ইন্দিয়ন ফোর্স অনীনা পুল্লগা চথখিবা মীহাৎ-মীপূনগী থৌদোক্তা সুপ্রিম কোর্টনা মীৎয়েং চঙদুনা হৌজিক ফেক এনকাউন্টরগা মরী লৈনবা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি। মসিসু মণিপুর পুলিসপু হৌখিবা লৈঙাক্না লান্না শীজিন্নবগী খূদম ওইনা মীয়াম্না লৌনরিবনি।

থোকখিবা থৌদোক অসিগী ইন্টেন্সন য়েংলগদি মহাক্না চথখিবা থৌওং অদু মী হাৎপগী লিচৎনি। চথরিবা এটেক অদুসু য়ুনিফোর্ম শেৎপা পুলিস পর্সনেলশিংদনি। মরম অদুনা মহাক্কী লিচৎ অদু খম থেংলবা ক্রিমিনেলগী মতৌনি। মঙোন্দা ক্রিমিনেল কেস লৌখৎফম থোকই হায়রি।

## য়ু পি এফকী থৌ পুগদবশিং ৱাশক...

*লামায় ১গী মখা...* এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পব্লিসিটিদা এম সুনিলদ্রো, ওদিটরদা এন দিনেশ, এগজিক্যুটিব মেম্বরদা কে ঐচ সুরঞ্জয়, এল টিকেন, এম উমেশ, এম দি ইকবাল, এম সনাতোম্বা অমসুং আর কে মঙ্গিসনানি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাংলদুনা য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা দল্লিয়ু সেকেন্দনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০১৮ দগী ২০২১ ফাওবদা তাথোক-তাশিন তৌরগা হেন্না ফবা চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌগনি। রাইট টু এদ্যুকেসন, রাইট টু হেল্থ য়াওনা ফংদনা লৈরিবা ময়াম অমদি য়াইফ নুংঙাইনা লৈনবা হোৎনবদা য়ু পি এফনা চহী ২০গী মমাংদগী মফম কয়াদা চৎতুনা লাক্লি। নুংশি-চানবা ইমোসনেল ইন্টিগ্রিটি শাগৎনবা হোৎনবদা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি। চীং-তমগী মরী অমদি মণিপুরদা ফুরুপ ৩৬ কী মথক্তা লৈরিবশিংগী মরক্তা থাজনদবগী ৱাখল লাক্লিবশিং অসি মেনশিন্নবা হোৎনবদা তাথোক-তাশিন তৌরগা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা সিনিয়র সীটিজন আর কে রনেন্দ্রজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ওর্গনাইজেসন অমা লিংবা তারবদি ভিজন চঙই। ৱাখল, মীৎয়েং অদুগী মখাদা করম্বা লাল্লোং পাঙথোকপা ঙম্নবা য়ু পি এফতা য়াওরিবগী মরম খঙলগা ঐখোয়না তৌফম থোকপশিং করি তৌখ্রবগে হায়বসি লৈখায় তানা খঙবা চঙই। য়ু পি এফকুম্বা ওর্গনাইজেসন অসিনা তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়াগা লোয়ননা ইস্যু কয়াদা খোঙজং চঙশিনমিন্নরি। মণিপুরসি ইস্যু কয়ানা পীক থল্লি। অচুম্বগীদমক লেপ্পা ঙন্বা, অৱাবা খঙবা, লমচৎ নাইবা, ৱাখল লৌশিং পীক্লিঙৈদগী শেমহৌদ্রবদি ওর্জনাইজেসন লিংবা য়াদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট সোরাইসম রতনকুমারনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক অসি করি তৌরিবগে হায়বসি নৈনবা তঙাইফদে। য়ু পি এফকী মোটো অসি মপূং ফানবা করম্না হোৎনগদগে হায়বসি ওর্গনাইজেসনগী মেট্টর অদুনি। হৌজিক্কী মতমদা থেংনরিবা অসিনা করন্বা তাঙ্ককনো। হৌজিক হিংনবগী চাকখাউগী লানলোংদা থেংনদুনা লৈ। খুন্নাইসিদা মতিং থোকপা ঙমদবগী তাঙ্কক অমা লাক্লি। লমদম অমা হায়বসি প্রদক্সন লৈরবা খক্তদা শেল-থুমগী গ্রোথ ৱাংলগা লমদম অদু মপাঙ্গল কনবা ওইগদৌরিবনি হায়নসু মখা তাখি।

## থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে

ইম্ফাল, জুন ০৯ : ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ককচিং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ককচিং ৱাইরি তানকে পরেংদা লৈবা লন্নাই বোর্দিং অমদা লৈবা মহৈরোই অমা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে। লৈখিদ্রবা মহৈরোই অদুগী মমিংনা থাংজম রমজিৎ (১৫) কৌই। মহাক তেন্থা থম্বাল চীংয়াদগী টি ঐচ বিশ্বোরজিৎকী মচানুপীনি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, রমজিৎ পদ্মা রত্না ইংলিস স্কুল ককচিংদা ক্লাস টেন তম্বনি। ককচিং ৱাইরি খুল্লাকপা লৈকাই তানকে পরেংদা লৈবা শিলৈবা কোচিং সেন্তর অমগী বোর্দিংদা লৈদুনা মহৈ তম্বনি। স্কুলগী অহানবা টার্মগী টেষ্টতা মার্ক য়াম্না নেম্না ফংই হায়দুনা মমা মপা লাক্লগা মপানা খরা চৈ ঙাঙখি হায়রি। ঙসি নোংঙাল্লক্লপদা মহৈরোইশিং লৈবা বোর্দিং সেন্তর অদুগী সাইকল থম্ফমগী ফৈরেনদা খুদৈ অমনা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্বনি হায়রি।

## ময়াং শিন্মী অমা...

*লামায় ১গী মখা...* অনীবু নোংমৈনো কাপশিল্লন্লবা তুংদা খোংলৈ থুনা মফম অদুদগী নান্থোকখি। থুনা য়াংনা মখোয় অনীবু রিমস হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুখৎখি। অদুবু, অশোকপা অদুনা মরম ওইরগা মোন্টু পাস্বানদি লম্বীদা লৈখিদ্রে। চন্দন পাস্বানদি হৌজিক রিমসতগী শীজ হোস্পিটালদা পুখ্রে হায়রি।

থৌদোক থোকফম অদুদা মণিপুর পুলিসকী দি আই জি রেঞ্জ-১ কে জয়ন্ত অমসুং এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট থেমথিং ঙসাংবানচিংবা পুলিস ওফিসর কয়ামরুম লাক্তুনা অশোকপগী ফীভম য়েংশিনবগা লোয়ননা মীহাৎপশিং ফাননবা অকনবা থবক লৌখৎপা উখি হায়রি।

## বিল পাস তৌহন্দনবা মরী লৈনবশিংদা...

*লামায় ১গী মখা...* অমদি লোকেল পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং অমদি নেসনল লেভেলগী লুচিংবশিংদসু পীশিনবা।

অনীশুবদা মণিপুর ষ্টেট পোপুলেসন কমিসন অমা অথুবা মতমদা থম্বীনবা ষ্টেট লৈঙাক্তা হায়জবা হায়বসিনি।

খন্ন-নৈনবগী হৌদোক ৱারোল পীরদুনা হেরিকোনগী সেক্রেটরি জেনরেল ৱাই সুরজিৎকুমার খুমনন্না হায়, মণিপুর অসি তোঙান তোঙানবা অপীকপা ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা লমদম ওইবনা করিগুম্বা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসি হেক চৎনবা তারগদি ফুরুপশিং অসি কনানসু কনবা ঙম্লরোই। লাইনিং লাইশোন মান্নবগী মিংদা পুশিল্লক্কদবা মীতোপ ময়াম অসিনা অচৌবা ফুরুপশিংদা অকাইবা লৈত্রগসু অপীকপা ফুরুপ কয়া মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈবনা থৌরম অসি শীনবনি।

রিসোর্স পার্সন ওইনা ৰা ঙাঙখিবা প্রো. আর কে নরেন্দ্রনা দি সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ : এন আওটরেজিয়স ব্লো ওন মাইগ্রেসন টোর্ন মণিপুর হায়বা হীরমদা ৰা ঙাঙখি। মহাক্না সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬ হায়বসি করিনো, মসি চৎনবনা লমদম অসিদা ওইরকপা য়াবশিং অমদি লৈবাক অসিগী নেসনল সিক্যুরিটিদা কাইরক্কদবা অমদি ফুরুপশিংগী মরক্তা উংখৎনরকপা য়াবগী মতাংদা য়াম্না ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি। সিনিয়ার এদভোকেট খাইদেম মনিনা হায়, বিল অসিনা হেক পাস তৌরকপা থোক্লবদি কুমজা ১৯৮০ দা এমসু অমদি এমস্কোককা লৈঙাক্না তৌনখিবা য়ান্না ৱারোল অমসুং কুমজা ১৯৮৫ দা ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগা তৌনখিবা একোর্দ অদুগী মায়োক্তা লৈরগনি।

লোয়ননা বিল অসি হেক চৎনবদা ইন্সর্জেন্সিগী প্রোব্লেম, রুমেন এন্দ চাইল্ড ট্রাফিকিংগী চাং অমদি দ্রগ লল্লোনবগী চাং হেনগৎকনি হায়না ফোঙদোকখি। দা. চীংলেন মৈস্নামনা হায়খিবদা, মাইগ্রেন্ট য়াম্না লৈরিবা মখৈ লৈবাক্কী ইকনমিদদি চাওনা কান্নবা লাকপনা লৈঙাক্না মাইগ্রেন্টশিং লৌশিন্নবা হোৎনবা ওইনা মীয়াম্না উরে। বিল অসি হেক পাস তৌখ্রগদি হন্দক মণিপুরদা প্রোজেক্ট ৩৯ গী এম ও য়ু অমা সাইন তৌখিবা অসিগা পারগা ঙসিদগী চহী ১০ গী মতুংদা মণিপুর অসি মণিপুর ওইনা লৈররোই।

শরতচন্দ্রনা হায়, বিল অসি হেক চৎনবদা নোর্থ ইষ্টকী খ্বাইদগী মরু ওইরিবা অসাম অসি হান্না মুৎকনি মথংদা মণিপুর মুৎখিগনি। মরম অদুনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিং খুৎশম্নরগা পুন্না থেংনমিন্নবা তঙাই ফদে।

অরোইবা রিসোর্স পার্সন ওইখিবা কলচরেল এক্টিভিষ্ট, নিংথৌজা লানচানা হায়, ইন্দিয়া অসি সেক্যুলর কন্ত্রি অমনি হায়রবসু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রে। রাইট টু ইক্বেলিটি হায়বা কন্সটিট্যুসনগী ৱাফম অদুসু ঙাকপা ঙমদ্রে। সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬তা ইন্দিয়াদা লৈবা অতৈ লাইনিং চৎপা মীওইশিংদা খুদোংচাবা পীদ্রগা শুপ্নগী হিন্দু, সিখ, বুধিষ্ট, জেন, পার্সি অমসুং খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপা বাংলাদেশ, পাকিষ্টান অমসুং অফঘানিষ্টানগী মীওইশিংবু ইন্দিয়াদা চহী ৭ লৈরগদি সিটিজন ওইহনবগী ৱাফম য়াওরি। থৌরম অদুদা বি জে পিগী স্পোক্সপর্সন এস টিকেন্দ্রনা হায়খি, বিল অসিনা মণিপুরদা অকাইবা থোকহনবগী ৱাফম লৈরোই। লাক্লিবা জুলাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লিগী মীফমদা য়েলহৌমীশিং কন্নবা বিল অমা পাস তৌরগনি।

## রাধাকুমার : খূবাক মখোলদা হিংবা...

*লামায় ১গী মখা...* দ্রামাটিক য়ুনিয়ননা হৌজিক ফাওবা হিংদুনা লৈরিবসি করম্না হিংলিবনো মসি মীয়াম য়াওদনা য়ারোই। লৈঙাক্নসু মীৎয়েং চঙবীরবদি হেন্না-হেন্না মালেমদা মশক তাকপা ঙমগনি। এম দি য়ু হোল অসি শাগৎপা ঙমদনা লৈ। কোস্মো পোলিটান দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী গোল্ডন জুবিলী থৌরম তৌরিবা অসিগী হোল ৱাইবদা লুপা ৩০,০০০ নি। শেন্থং লুপা ২০,০০০/৩০,০০০ দগী হৌরগা ফংলিবা খরসিসু চহী পুখদুনা লৈরিবনি। খূবাক মখোলদা হিংলিবা আর্টিষ্ট ময়াম্না কলচর য়োকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা কোস্মো পোলিটান দ্রামাটিক য়ুনিয়ন ইম্ফালগী ফাউন্দর মেম্বর শাদোকপম ইবোতোম্বীনা প্রসিদেন্ট ওইখি। ঐচ ভি এস কন্সট্রক্সনগী মেনেজিং দিরেক্টর হুইদ্রোম বিক্রমজিৎনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা *মঙাল য়াওদ্রবা নুমিৎ* (স্ক্রিপ্ট-ক্ষেত্রি সনাজাওবা) অমদি মঙালগী ঈথক ঈরৈ (বেজ ওন শোর্ট ষ্টোরি ওফ কাংজম রাধাকুমার) হায়রিবা দ্রামা অনী অসি উৎখি।

## লেফটিনেন্ট এস বিজয়া থুংলরে...

*লামায় ১গী মখা...* মঙাগী মনুংদা মরিশুবনি হায়রি। মহাক্না ঙসি ইম্ফালদা থোক্লকপা মতমদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা মহাক্কী পোক্নফম লমদমগী মীয়াম অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা হরাও তয়াম্না ওকখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা মমাঙ চহীগী সেপ্তেম্বর ১০ দা ইন্দিয়াগী ঈশিংগী লান্মী (নেভি)গী নুপী ওফিসর ৬ মালেম কোইরুরবা মতুংদা চহী অসিগী মে ২১ দা ইন্দিয়াদা থুংলখিবনি।

## আর্মি চীফ...

*লামায় ১গী মখা...* গোপাল আরসু লোয়নখি। আর্মি চীফনা অরুনাচল প্রদেশকী তাকসিং অমদি অতৈ ফোরৱার্দ এরিয়াশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা লান্মীশিংনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংসু য়েংশিনখি। ঈং-তপ্পা ফীভম ঙাক্লবগী মতাংদা লান্মীশিংনা অহিং-নুংথিল নাইদনা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংবু আর্মি চীফনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। স্পিয়ার কোরনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট অহুমদা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন চথবগা লোয়ননা অরুনাচল প্রদেশতা এল এ সী পরিং ঙাকপগী থৌদাং লৌরিবনি।

## মুটাগী খোঙজং...

*লামায় ১গী মখা...* মীফম্না লৌখিবা ৱারেপশিং অদুদি, লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমীৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা য়ুনিভর্সিটিগী মেন গেট মমাঙদা সিট ইন প্রোটেষ্ট পাঙথোকপা অমসুং মুটাগী জেনরেল বোদি মীফম্না লৌখিবা ৱারেপ ঈকায় খুম্নদবা ভাইস চাঞ্চেল্লরবু কন্দেম তৌবা হায়বসিনি।


NIELIT, Imphal

রা.ইঃ.সু.প্রী.সং NIELIT

National Institute of Electronics & Information Technology
(An Autonomous Scientific Society of Ministry of Electronics & Information Technology, Govt. of India)
Akampat, Imphal, East 795 001, Manipur

Free Course Fee for SC & ST students

**Advertisement For Short Term Courses For June 2018**

| Sl. No. | Name of Course | Duration | Timing | Eligibility | Normal Fee+GST (Rs.) | Concession fee |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| 1. | Certificate course in Computer Concepts(CCC) (Windows+Ms Office+ Internet) | 8 - weeks (80 hrs)<br>8 - weeks (80 hrs) | 7.00 a.m. to 9 a.m<br>3.00 p.m. to 5.00 p.m | Knowledge of English | 4130/- | Nill |
| 2. | Certificate Course in Financial Accounting Using Tally ERP 9.0 | 8 - weeks (80 hrs) | 3.00 p.m.- 5.00 p.m. | XII passed with Computer Knowledge | 7670/- | 3540/- |

Note: i) Last date of admission : 18 th June, 2018
ii) Starting of the course : 19 th June, 2018

**No course fee for SC/ST candidates. However processing fee of *Rs 100/- will be charged.**
(Details for Admission can be obtained from the Institute during 9.30 a.m. to 5 p.m. On all working days (Monday-Friday)

Sd/-
**Executive Director**
NIELIT, Imphal

HL-B/4688/10

ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ

ADMISSION OPEN FOR B.Sc.Nursing & M.Sc.Nursing 2018-19
at Gitam University, Vishakhapatnam, A.P
Admission without entrance exam for Manipur students

➡ **B.Sc Nursing**:Fees Rs. 30000/- per year
➡ Food & Accommodation Rs. 30000/- per year
**Eligibility - 10 + 2 PCB 50% (Aggregate)**
➡ **M.Sc.Nursing(NPCC)**:Fees Rs.1,50,000/- p/a
➡ Food & Accommodation Rs.30000/- per year

Spot Admission

*Stipend will be available to all admitted students*

**Top Deemed University having own medical college & hospital**

**EDUCARE ZONE** Babupara, Near BOSEM Imphal
# +91 8794026277, 9402775931, www.gitam.edu

HL-P/3356/10/6-10/7



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES**

**NOTIFICATION**
**Imphal, the 8th June, 2018**

**No. BVSc/TRG/2018 -Vety :** Applications in the prescribed format are invited from intending candidates appeared in the National Eligibility cum Entrance Test (UG) – 2018 / NEET (UG) – 2018 conducted by Central Board of Secondary Education having the following Eligibility Criteria for undergoing B.V.Sc. & A.H. Degree Course for the academic session, 2018-19 at different Veterinary Colleges as State Government Nominee. The Prescribed application form shall be available on payment of Rs. 100/- (Rupees one hundred) only from the Directorate of Veterinary & A.H. Services, Manipur, Sanjenthong **from 11th June to 22nd June, 2018.**

The duly filled up prescribed Application Form along with the required documents/testimonials should be submitted to the Directorate of Veterinary & A.H. Services, Manipur, Sanjenthong on or before the dates and time as detailed below :

| PARTICULARS | DATE |
| --- | --- |
| 1. Issue of Application Form | 11th June to 22nd June, 2018 (10:30 a.m. to 4:00 p.m) |
| 2. Submission of Application Form | 15th June to 23rd June, 2018 (10:30 a.m. to 4:00 p.m) (on working days) |

**The Selection of Intending Candidates for undergoing the said course will be based on the merit of NEET (UG) – 2018 result as notified earlier.**

**Eligibility Criteria :**

a) Passed Higher Secondary (10+2) Science Examination/equivalent Examination in all subjects from a recognized Board/Council/University with a minimum of 50% marks of aggregate in English, Physics, Chemistry, and Biology for General and OBC categories and 47.5% marks in respect of ST / SC / Other Special categories in one sitting.

b) Candidates must have attained a minimum of **17 years & not more than 25 years of age on 31st December, 2018.** There shall be relaxation of maximum age by 5 years for Schedule Caste (SC) / Schedule Tribe (ST) & Other Backward Class (OBC) candidates.

c) Candidate should be a bonafide domicile of Manipur.

In case of In-service candidates of the Department, a certificate on that behalf from the Head of Department shall be enclosed and the candidate shall apply through proper channel so as to reach this Directorate on or before 23rd June, 2018 (10:30 a.m. to 4:00 p.m.).

*Sd/-* **H. CHAOBA SINGH**
***Director,* Vety. & A.H. Services, Manipur**

HL-P/1594/9&10